# ওলেক্সান্দর টুর্চিনোবপু ইন্টরিম প্রসিদেন্টকী চার্জ পুহনখ্রে



*কিয়েব, ফেব্রুৱারি* ২৩ঃ য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসপু ওরাং ৱাকৎলোইশিংনা মফমদগী লৌথোক্লে হায়বগা লোয়ননা স্পিকর ওলেক্সান্দর টুর্চিনোবপু ইন্টরিম প্রসিদেন্টনি হায়না লাউথোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী অনৌবা য়ুনিটি গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবা টুর্চিনোবনা এম পি শিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টনা কিয়েব মনাক্তা লৈবা য়ানুকোভিসকী লকসরি ইষ্টেট লৌশিন্নবা ভোৎ পীখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টনা মহাকপু মফমদগী লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌবা অসি কু চথবগা মান্নে হায়না ফোঙদোকখিবা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসকী লৈফম হৌজিক ফাওবা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্দিপেন্দেন্টস স্কৱারদা হান্নগী চরাংনবা অদুদগী ইংথরবা ফিভম অমদা লৈবগা লোয়ননা ৱাকৎলোই লিশিং কয়ানা মফমদুদা পুন্দুনা লৈখি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা য়ুলিয়া টাইমোসেনকোনা ওপোজিসন সপ্পোর্টরশিংবু ৱাকৎ ঈহৌ মখা তানা চত্থনবা খঙহনখ্রে। প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিস অসি লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টনা মফম লৌথোক্লবা ভোট পীখ্রে। হন্দক্তা ফাল্লিন্বদগী থাদোরক্লবা টাইমোসেনকোগী নকশিন্নবা মপাং অমসু ওইরিবা ওলেক্সেন্দর টুর্সিনোবনা প্রসিদেন্টকী থৌদাং পুহনখ্রবসু য়ানুকোভিসনদি হৌজিকসু মহাক য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ওইরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা বৃটেননা ঙসি রুসিয়াদা য়ুক্রেনগী অরুবা ইরাং অসিদা খুৎ চংদনবা খঙহনখ্রে।

শাথিনা শোকচিল্লবা য়ুক্রেনগী ইকোনোমি ফগৎহন্নবা মালেমগী ওইবা ইকোনোমিক প্রোগ্রাম অমা চত্থবদা লণ্ডননা পাংবা য়াবা শরুক পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরি ৱিল্লিয়ম হেগনা হায়বদা, মহাক্কী গভর্নমেন্টনা রুসিয়াগী গভর্নমেন্টকা তোয়না পাউ ফাওনরি। অদুগা য়ুক্রেননা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা হেন্না নকশিন্নখিবদা লৈবাক অদুনা থোইদোক্লা নুংনাংবা ফাওফম থোক্তে হায়না খঙহনখ্রে।

করিগুম্বা ইকোনোমিক পেকেজ অমা লৈরগদি মদুবু অরাইবা থৌরম অমা ওইনা লৌদনবা রুসিয়াদা খঙহনবগা লোয়ননা মদুবু শৌগৎনবা মতেং ওইনা পাংলকউ হায়খ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

রুসিয়ানা য়ুক্রেনগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অকনবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী চিংবা লৈত্রা হায়বা ৱাহং অমদা হেগনা রুসিয়া নত্রগা মপালগী করিগুম্বা খুৎ অমত্তনা য়ুক্রেনগী ইরাং অসিদা খুৎ চংফম থোক্তে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুবু ফিভম অসিদা রুসিয়ানা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্ত লৈবা রুসিয়ান লোন ঙাংবা মীয়ামগী য়েংদুনা অকনবা থবক অমা লৌখৎলকপা য়াই হায়নদি মহাক্না চিংনবা ফোঙদোকখি।

# থাই ওপোজিসন রেল্লিদা মী ২ শিরে, ২০ শোক্লে



*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি* ২৩ঃ থাইলেন্দগী কোনুং অসিগী মী চিল্লবা ললোন ইতিক্কী সেন্টর অমগী মনাক্তা লৈবা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিনফম অমগী মনাক্তা পোকখাইবগী থৌদোক অনি থোকপদগী মীওই অনি শিবগা লোয়ননা মীওই ২০ না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

সেন্ট্রেল ৱার্ল্ড হায়বা সোপিং মোল অমগী মনাক্তা শিখিবা মীওই অনিদুগী মনুংদা অমদি মশাগী চহি ১২ দা ঙাইরিবা নুপামচা অমনি হায়রি।

নোংপোক থংবা থাইলেন্দদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা নোংমৈ পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী থোকখিবনি। নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদুদসু চহি ৫ দা ঙাইরিবা নুপীমচা অমসু শিখি।

মমাং চয়োলদসু পুলিসনা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিনবা মফমশিংদা ৱাকৎলোইশিংবু তাম্থোক্লবা হোৎনরকপদা খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই কয়ামরুম শিখ্রবনি।

ৱাকৎলোই লুচিংবা শাথিৎ ৱৌনোংতোইনা ঙসি হায়খিবদা সেন্ট্রেল বেঙ্কোক্তা থোকখিবা পোকখাইবা অদু হেন্দ গ্রেনেদনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চৎখিবা ইরাইগী অহিংদা থোকখিবা গ্রেনেদ এটেক অমদসু ৱাকৎলোই ৬ অশোক অপন নংখিবনি। এটেক্কর খরনা নোংপোক থংবা থাইলেন্দগী মফম অনিদা খুৎ থারকখিবদা পিপলস দিমোক্রেটিক রিফোর্ম কম্মিটিনা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা পোকখাইবা য়াবা পোৎলমশিং লংশিল্লকপগা লোয়ননা নোংমৈসু কাপশিল্লকখিবনি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা, এটেক্করশিং অদুনা পিক-অপ ত্রকশিংদা তোংদুনা লাক্লগা রেল্লি অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা অচাপোৎ য়োনফম অমগী মমাংদা লেপ্লম্বা চহি ৫ গী নুপীমচা অমা শিখি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

নুপীমচা অদু মকোক্তা নোংমৈনা পানবদগী শিখিবনি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুদসু মীওই ৩০ রোম অশোক অপন নংলমগনি থাজনরি হায়রি।

অতোপ্পা অঙাং অমসু অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। পি দি আর সিগী ৱাঙাংলোই সুইচার্ন স্বানাখানা হায়বদা পার্টি অসিগী লিদর অমনা ৱা ঙাংলিঙৈদা এটেক অদু চত্থরকখিবনি হায়রি।

# নিউয়োর্কতা কার্মোন মোনোক্সাইদনা অমা হাৎখ্রে

*নিউয়োর্ক, ফেব্রুৱারি* ২৩ঃ লোং আইলেন্দগী মোল রেষ্টুরেন্ট অমদা কার্বোন মোনোক্সাইদ পোইজনিংনা মরম ওইদুনা মীওই অমা শিরে অদুগা কয়ামরুমনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

হন্টিংটন ষ্টেসনদা লিগেল সি ফুদ রেষ্টুরেন্টতা নুপী অমা অশোক অপন নংলে হায়না পুলিসনা পাউ ফংবদগী লাকপদা মশাগী চহি ৫৫ শুরবা মেনেজর অদু বেজমেন্টতা ৱাখল তাদনা লৈরম্বনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ষ্টিভেন নেলসন হায়বা মেনেজর অদু হার্ট ফেল ওইদুনা শিখিবনি হায়না হন্টিংটন হোস্পিটালগী ৱাঙাংলোই জুলি রোবিন্সননা ফোঙদোরকখি।

হেক থুংলবগা পুলিসনা অমদি ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী পার্সোনেলশিংনা নুং-পান ওনবা অমদি কোক ঙাওবা ফাওরকখিগা লোয়ননা লাইওং অদু কার্বোন মোনোক্সাইদ হকথেংনবদগী থোকপনি হায়নসু পুলসিনা ফোঙদোরকখি।

হোস্পিটালদা পুখৎখিবা মীওই অহুমদি হৌজিক লৈতাবা ফিভম অমা লৈরে। অদুগা মীওই ৬ তি লায়েংলবা মতুংদা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু রোবিন্সননা ফোঙদোরকখি।


পুন্না হোস্পিটাল অদুদা পুরকখিবা মীওই ২৭ নি হায়নসু হোস্পিটালগী ষ্টাফ অমনা ফোঙদোরকখি। ভিক্টিম অয়াম্বা রেষ্টুরেন্ট অদুগী এমপ্লোয়ি ঙাক্তনি। লায়কন্নরিবশিংগী মনুংদা পুলিস ওফিসার অহুমগা এম্বুলেন্স এমপ্লোয়ি ৪ গসু য়াওই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা হোমিসাইদ এন্দ আর্সন স্কৱাদকী দিটেক্টিভশিংনা থিজিন হুমজিনবগী থবক লৌখৎখ্রে। মরুওইনা দিটেক্টিভশিং অসিনা রেষ্টুরেন্ট অদুগী হিট্টিং সিষ্টেম কুপ্না য়েংশিল্লি।

য়ু এসকী নোর্ঠ ইষ্টর্ন অমদি মিদ এটলান্টিক রিজনশিংদা লোকেসন কয়ামরুম লৈরিবা লিগেল সি ফুদনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা কারবোন মোনোক্সাইদ পোইজনিংগী পাউ অসিনা য়াম্না নুংঙাইতবা থোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রেষ্টুরেন্ট অদুগী জেনরেল মেনেজর ষ্টিপ নেলসন শিখিবগী পাউ অসিনা কা হেন্না নুংঙাইতবা থোকহল্লে। মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী অৱাবা অমদি লাইনিং লাইসোনদা শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# 'ইলেক্ট্রিক চিয়ারনা হৌজিকসু ঐঙোন্দা তম্নরি'



*নিউয়োর্ক ফেব্রুৱারি* ২৩ঃ য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী জোর্জিয়াদা হান্না করেক্সন কম্মিস্নার ওইরম্বা ডাক্তর এলেন ঔতনা হায়বদা, মহাক্না থবক পুরিঙৈদা শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওইশিংবু ইলেক্ট্রিক চিয়ারদা ফমহন্দুনা হাৎখিবগী থৌদোকশিং অদুনা খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা থৌদোকশিং ওইবগা লোয়ননা ইলেক্ট্রিক চিয়ারনা মঙোন্দা হৌজিকসু তম্নদুনা লৈরে হায়খ্রে।

হার্ড টোল্ক ষ্টুদিওদা তিনখিবা গেষ্ট কয়ামরুমদা মহাক্না হৌখিবগী থৌদোকশিংগী মরমদা মপুক্লিংদা হৌজিকসু নুংঙাইতনা নিংশিংলিবা থৌদোক কয়ামরুম থম্মোয় শেংনা পাউদমখি। মহাক্না হায়খিবদা, হৌজিকসু মহাক্না ৱাখলদা তশেং তশেংনা নিংশিংলুবদা খ্বাইদগী হেন্না শেংনা ৱাখলদা শেম শারগা চত্থখিবা মীহাৎশিং অদুনা মঙোন্দা কিনিঙাই ওইরবা মঙ অমগুম থোক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না করেক্সন কম্মিস্নার ওইরিঙৈদা শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওই মঙা ইলেক্ট্রিক চিয়ারদা ফমহন্দুনা হাৎপগী থৌদোকশিং সুপরভাইস তৌখিবনি। অমেরিকাগী ৱায়েল কাংলমদা খ্বাইদগী থম্মোয় শেংনা ইনবা গভর্নমেন্ট সার্ভেন্ট অমা ওইরম্বদগী হৌজিক্লা শিবগী চৈরাক্কী মায়োক্তা খ্বাইদগী থৱাই য়াওবা কেম্পেন্নর অমসু ওইরি।

জোর্জিয়া প্রিজন সার্ভিসকী দাইগ্নোষ্টিক এন্দ ক্লাসিফিকেসন সেন্টরদা ডাক্তর এলেন অসি সাইকোলোজিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরকখিবনি।

সেন্টর অসিদা জোর্জিয়াগী একজিক্যুসন চেম্বর লৈবগা লোয়ননা ডাক্তর এলেননা মদুগী ৱার্দেন ওইখি। শিবগী চৈরাক পীবা মতমদা মহাক্কী পুক্লিংদা করি ফাওরকপগে হায়বদু শুকখন খল্লুবা তৌদনা মহাক্না হাৎপগী মেছিন অসিগী চার্জ পুরকখিবনি। মহাক্কী মতমদা চত্থখিবা একজিক্যুসন চৈরাকশিংগী মতাংদা মহাক্না কুপ্না য়েংশিনখি। মহাক্না হায়বদা চত্থখিবা মীহাৎ খুদিংমক্কী মরমদা নিংঙমদবগা লোয়ননা মহাক্না পুন্সি লেল্লি। মীহাৎশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মপুক্লিংদা নুংঙাইখিদবা মীহাৎতি মশাগী চহি ১৭ তা ঙাইরিবা খৃষ্টোফর বর্জর হাৎখিবগী থৌদোক অদুনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থোইদোক্লা তমথিখ্রবা রেপ এন্দ মর্দর কেস অমদা চেন্নবদগী শিবগী চৈরাক ফংলবা অদুগা ৱাখলগী লায়নাসু হায়রপ লৈরবা বর্জরনা শিবগী চৈরাক ফংলবা মতুংদা চহি ১৭ কৈশুমশঙদা লেনখি হায়রি।

শাংলবা চহি ১৭ অদুগী মনুংদা বর্জরগী ৱাখল হোংলকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ব্রেন দিভলপ তৌরক্তুনা অফবা মীওই অমা ওইরক্লবদা তমথিরবা ক্রাইম অমদা চেন্নবদগী হাৎতবা য়াদদুনা মহাক হাৎখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

শিবগী চৈরাক ফংগদবা নুমিৎ অদুদা বর্জরনা অরোইবা ওইনা মঙোন্দা হায়রম্বা ৱাহৈ অদুদি 'চানবীদুনা ঐবু ঙাকপীয়ু' হায়বা ৱাহৈ অসিনি হায়বগা লোয়ননা ৱাহৈ অদু চহি ২০ হৌখ্রবা ফাওবদা কাউথোকপা ঙমদনা মহাক্কী পুক্লিংদা চৈনা পীরি হায়নসু ডাক্তর এলেননা ফোঙদোকখি।

বর্জরগী হকচাংদা ইলেক্ট্রিক করেন্ট হেক চংলকপদা মহাক্কী মকোক অদু তুংলোমদা খঙথেক থেক্লগা তুমিন্না লৈখি হায়না এলেননা থম্মোয় শোক্লা নিংশিংখি।

# য়ু এস কোষ্টগার্দনা ক্যুবা মচাশিং সমুদ্রদগী কনখ্রে



*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি* ২৩ঃ ফ্লোরিদা ষ্ট্রেটস লাল্লগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস তম্না ৱিনসর্ফিং চৎনবা হোৎনখিবা ক্যুবা মচা অমা সমুদ্রদা নুমিৎ মরিনি লৈরবা মতুংদা য়ু এস কোষ্ট গার্দনা কনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মুনিষ্টনা লৈঙাকপা ক্যুবাদগী খোঙচৎ অসিদা লাকখিবা মীওই অহুমনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী মরক্তা অমখক্তমক কনামত্তগী মতেং য়াওদনা ফ্লোরিদা য়ৌরকপা ঙমখি হায়রি।

ক্যুবা এদজষ্টমেন্ট এক্টকী ৱেটফুট-দ্রাইফুট পোলিসিগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়ৌবা ঙম্বশিংদি য়ু এসতা লৈবা য়াহল্লি অদুগা য়ৌবা ঙমদবশিংদি ক্যুবাদা নত্রগা অতোপ্পা লৈবাক অমদা লৈবা য়াহনবনি।

হৌখিবা ইরাইগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ৱিন সর্ফর অদু মার্ক্যুসাস কিজদগী হি হোনবা নুপা অমনা থেংনরকখিবনি হায়নসু য়ু এস কোষ্টগার্দকী ৱাঙাংলোই পিটর বর্মোন্টনা ফোঙদোরকখি।

বর্মোন্টনা হায়বদা, নুপা অদু মশানা লেংজবা ঙমদ্রে। মহাকপু কোষ্টগার্দকী ওফিসারশিংনা মহাক্কী সর্ফ বোর্দ অদুদা হাপ্লগা তোর্ব্বানদা পুশিল্লকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ক্যুবা অমদি ফ্লোরিদাগী খা নোংপোক থংবা মফমশিংগা খাইদোক্লরিবা ফ্লোরিদা ষ্ট্রেটস হায়বা ঈশিংগী শরুক অসি লাম্থোক্লবা হোৎনবদা ক্যুবা মচা কয়ামরুম মমাংদা শিখ্রবনি।

ঈশিংগী শরুক অসি শাথিবা ইথক ইপোমশিং অমদি সার্কশিংনা কুংনা লৈবা শরুক অমনি। য়ু এসতা মায় পাক্লা থুংলখ্রবা ৱিন সর্ফর হেন্নরি ভর্গরা নেগ্রিন (২৪) না হায়বদা মহাক ক্যুবাগী কোনুং হবানাগী মনাক্তা লৈবা জিবাকোৱাদগী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দা মপাং অনিগা লোয়ননা ৱিন সর্ফিং হৌরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চহি ২০ গী মনুংদা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা ঈশিংগী শরুক অসি লাম্থোক্লগা য়ু এসতা য়ৌরকখিবা ইহান হানবা ক্যুবা মচা ৱিন সর্ফর অমা হায়রগদি নেগ্রিন ওইরি।

ইং ১৯৯০ দা অসিগুম্বা ৱিন সর্ফিং এটেম্প ৬ লক দোক্যুমেন্টেসন তৌখিবগা লোয়ননা মদুদা মশাগী চহি ১৭ তা ঙাইরিঙৈদা ইং ১৯৯০ দা লাকখিবা লেষ্টর মোরেনো পেরেজ য়াওরি।

মহাকসু পোৎ পুবা জহাজ অমনা কি ৱেষ্টতগী মাইল ৩০ লাপ্পা সমুদ্রগী ঈশিংদগী কল্লকখিবনি। নেগ্রিননা কি ৱেষ্টকী লকজরি রিচ য়ৌরকপদা পুং ৯ হেল্লপ চংখি হায়নসু হোটেলগী ৱাঙাংলোই নুপী অমনা ফোঙদোকখি।

# বাংলাদেশতা পুলিসতগী ফাদোক মুনখ্রে

*ধাকা, ফেব্রুৱারি* ২৩ঃ আইননা থিংখ্রবা ইস্লামিস লুপ অমগী অফাবা মিলিটেন্টশিংবু কোর্টতা পুরকপগী লম্বীদা নোংমৈ পায়বা মীওই খরনা প্রিজন ভানদা বোম লংশিনবা অমদি নোংমৈ কাপশিনবগী এটেক চত্থরম্লগা ফাদোক অহুম নাম্থোকহনখ্রে হায়না পুলিস অমদি মিৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়বগী মতুংইন্না ধাকাগী অৱাংদা কিলোমিটর ১২২ রোম চৎলগা লৈবা মাইমেনশিং দিষ্ট্রিক্টকী হায়ৱে অমদা কার অনিনা লম্বী থৎলগা লৈরমখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী ভাননা হেক য়ৌশিল্লকপগা কার অনি অদুদগী বোম কয়ামরুম লংশিল্লকখি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা পুলিস অমা শিরগা অহুম শোকখি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

জমাদ উল মুজাহিদ্দিন বাংলাদেশ (জে এন বি) গী মেম্বর ওইবা কনভিক্ট অহুমসু খুৎলায় পায়বশিং অদুনা মুল্লগা পুখ্রে হায়রি।

পুখ্রিবা কনভিক্টশিং অদুগী মনুংদা অনিদি শিবগী চৈরাক লাউথোকখ্রবশিংনি। ফাদোকশিংবু পুবা পুলিসকী ভান অদু মাইমেনশিংদা লৈবা কোর্ট অমদা টেষ্টিফাই তৌহন্নবা পুবনি হায়নসু কাসিম্পুর জেলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট অবদুর রজাকনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতুংদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবকসু চত্থখি। নিংশিংবা য়াবদি লুপ অসিগী লিদর ৬ কী ইং ২০০৫ দা জজ অনি হাৎখিবগী মরালদা মীয়াৎ ফংদুনা ফাঁশি তৌরগা হাৎখ্রবনি।

চহি অদুগী ওগষ্ট ১৭ তা বাংলাদেশকী মফম কয়ামরুমদা লুপ অসিনা মতম অমত্তদা বোম ৫০০ রোম পোকখাইহনখিবনি। মসিগী মতুংদা বাংলাদেশকী কোর্ট কয়ামরুমদালুপ অসিনা স্যুসাইদ এটেকশিংসু চত্থরকখিবগা লোয়ননা জজ অনি য়াওনা মীওই ২৫ হাৎলগা চা কয়ামরুম অশোক অপনসু নংহনখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# এন এস এ না জর্মন ওফিসিয়েলশিংগী সর্ভিলেন্স কন্না চত্থরি




*বার্লিন, ফেব্রুৱারি* ২৩ঃ জর্মনগী পাউ চে অমদা ঙসি ফোঙদোকখিবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা চাঞ্চেল্লর এঞ্জেলা মার্কেলগী মথক্তা স্পাইয়িং চত্থবগী থবক তোক্লবা খঙহনখিবা হেক মতুংদগী য়ু এসকী নেস্নেল সিক্যুরিটি এজেন্সি (এন এস এ) না জর্মন গভর্নমেন্টকী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা সর্ভিলেন্স চত্থবগী থৌরাং হেন্ন কনখৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাং চহিদা জর্মনিদা য়ু এসনা চত্থবা মাস সর্ভিলেন্স থৌরাং অমদা চাঞ্চেল্লর মার্কেলগী মোবাইল ফোন ফাওবা বগ্গিং তৌই হায়বগীদমক জর্মনদা পাক শন্না খোইশাওনবা পোকহনখিবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা খ্বাইদগী লুনা নুংঙাইনদনবা মরমসু ওইখিবনি। পাউ-চে অদুদা ঙসি হায়খিবদা, জর্মনিদা লৈবা এন এস এ গী অৱাংবা থাক্কী ওফিসার অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়বদা, এন এস এন না সর্ভিলেন্স চত্থরিবা সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংগী মনুংদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর থোমাস দা মেজিয়রসু য়াওই হায়রি।

পনবা য়াবদি মেজিয়র অসি মার্কেলগী থোইদোক্লা নক্লবা মীশক অমনি। এন এস এ ওফিসিয়েল অদুনা হায়খিবদা চাঞ্চেল্লরগী টেলিফোন হকথেংননা মোনিটর তৌবা য়াদ্রবনিনা হৌজিক্তি অতোপ্পা ইনফোর্মেসন অমত্তা চিত্থহনবা য়াররোই হায়বগী ওর্দর লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

জর্মন ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা, মমিং পন্দবা মীওইশিংগী মথক্তা মরাল পীবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা হায়নিংঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মীরৈবাকশিংগী সর্ভিলেন্স চত্থবগীদমক য়ু এসকী মথক্তা মালেম পুম্বনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপদা পুক্লিং ফাথনবা য়ু এস প্রসিদেন্ট ওবামানসু হৌখিবা জনুৱারী থাদা ৱাশিংটনগা নকশিন্নবা মপাং ওইবা লৈঙাক লুচিংবশিংগী সর্ভিলেন্স চত্থবা থিংলে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

